# তাইবঙদা লম্মুক্নদনবা হৌজিক করি লাইনীং চৎকনি? - ১২

**ৱাখল ইহুল**
**আচার্য্য সোরাম ইবোহল**

*মালেমসিদা* লৈরিবা নমু তাইবঙ মীওইবা অমনা মশানা পামজবা, থাজবা লাইনীং-লাইশোন অমগী মখাদা লাইনীং-লিচৎ চৎপা হায়বসি হৌনশানি। লিচৎ অনী চৎপা য়াদে। ফম্বাক কুম্মৈ (দ্রামা) নৎত্রগা অরেংবা মমিগী কুম্মৈ (সিনেমা) গুম্বদা তাঙ্কক্কী মতুংইন্না লাইনীং অমগী লিচৎ চৎপা শাদুনা শক্তম লাংবদি অদুম তৌনবনা য়াই হায়না লৌরসি। অশেংবদদি য়াদে, তৌনিংলোই। ঙহাক্কী মরুপ-মপাং ওইবগী মওংদা পংতৌ তৌবনা অমনি। মদুদদি অদুক হাক্লা হকচিন্না লৌদবা য়াই। নৎত্রগনা, পোলিটিক্সতা খোংদারিবশিংনদি ঙহাক্কী ওইনা পোলিটিকেল গেইন্দ (কান্ননবা) গীদমক পংতৌ তৌনবসি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা অদুম ইখঙ খঙনৈ।

ঐখোয়গী লোন্দা লাইমিং লৌবা, মীগী মরোলদা দীক্ষা, বেপ্টাইজনচিংবা তৌনবগী চৎনবী অদুম লৈনৈ। অমনা অমদগী হেন্না ফবসু নৎতে, তাবসু নত্তে, মতৌ তম্বসু নত্তে। মানা মানা থাজবা লাই মকোক্তুগী মিংশ্খে পল্লগা ৱাশক অমগী মখাদা লাইনীং লিচৎতু ঙাক্লা চৎচগনি হায়বনি। শম্না হায়রবদা মান্নবা লাইনীং লিচৎ চৎপা কাঙবুনি হায়বসিনি। হায়রিবা ফজরবা ৱাফমসিদি কনাগুম্বা অমতগী ইথিল য়াওদবা, মীওই পোক্তুগী পাথাং কোক পুথাং কোক্তগী চৎন লোনচৎ চৎচরকপা, চৎলিবা কাঙবুশিংগী ফংফম থোকপা হকনি। লুরিবদি চহীচা খরগী মমাঙদগীনা কুনমাথোইশুবা চহীচা ময়ায় চল্লক্কদৌরবা মতমসি ফাওবদা, নম্ফু হাফুদা লাইনীং লাইশোন ওলহন্নবগী থৌরাং চথুনবা লৈরিবসিনি। লাল্লোং মখল অনী শুই হায়না থমজগে। অহানবদনা, মীশিং য়াম্বা কাঙবুনা খূৎকন পাঙ্গনবা ওইবদগী নৎত্রগা হিংবা চঙবগী ফীভম মায়োক্নবদগী মীচেল ওইরক্লগা তাৎ-পাৎতা মীশিং য়ামদবা কাঙবুবু লৌনম লাংদা থুহল্লগা মীরম লাইনীং চৎহন্নবা হোৎনবদা মচিন তোংবশিংনা অয়াবা পীরুবা পনবা য়াই। অনীশুবদনা, মীরম লাইনীং লাইশোন মীওই খরনা মশানা পামজরুবদগী নৎত্রগা অয়াম্বা মীওই খরনা মখোয় মশাগী খুদোংচাবা ফংনীংবদগী নৎত্রগা মখোয়বু হন্থনা য়েংবিবদু কোক্লনবা খরা মপাঙ্গল কনবা লাইনীং লীচৎ চৎনবা তঙায়ফদবা ফীভমদগী ওনবা অমা। অহানবগী খুদমদা মালেমগী লৈপাক কয়াদা ইস্লামদগী খষ্ট্রিয়ানিটিদা, খৃষ্ট্রিয়ানিটিদগী ইস্লামদা, হিন্দুদগী খৃষ্ট্রিয়ানিটিদা, ইরমদমসিদনা হান্নগী লৈরকপা ইনাৎ লাইনীংবু শম্না হিন্দু লাইনীংদা অদুগা চীংমী খরগীদনা মশাগী মনাৎ লাইনীং লিচৎ নোংমৈ চিন্দোলদা খৃষ্ট্রিয়ানিটিদা ওলহনবা। অনীশুবগী খুদমনা, ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবা বুদ্ধিজমবু মালেমগী চাওর-চাওরবা লৈপাক কয়াদা মশানা পামজনা মখোয়গী লাইনীং লিচৎ ওইনা লৌনখিবা, ইরমদমদসু মঙাই, ইরমদমগী ফুরুপকী মশীং য়ামদবা কাঙবু খরনা খৃষ্ট্রিয়ানিটিদা ওনখিবা, ইন্দিয়াগীদনা শাথিরবা হিন্দু লাইনীংগী শোক্লা শম্নবা য়াদবগী ইথিলদগী হন্থবা থাক্তা পোক্লুরবা কাঙবু অয়াম্বা তঙায়ফদনা খৃষ্ট্রিয়ানিটিদা ওল্লগা মখোয়গী খুন্নাইদা হিন্দুগা মান্নবা থাক অমদা পুখৎলক্লবা লাইনীং লিচৎ ওনখিবা। ফীভমসিমকসু মতম অমগী ঐখোয়গী অপূনবা খুন্নাই ওইরিঙৈদা মীরম লাইনীংগী অকনবা ইথিল চঙলকখিবদগী চীংমীনা খৃষ্ট্রিয়ানিটি অয়াম্বা ওইখ্রগা লেমহৌবা খরনা মশাগী পারি পুরিগী চৎন লোনচৎ ঙাক্তুনা মতু শোন্না হিংলিবা অদুগুম্না, তম্পাক্কী শরুক্তসু মতম অমদা য়াম্না মতু শোন্না পারি পুরিগী লীক্লম ঙাক্লা চৎলম্বদগী য়াম্লবদা ঙসিদগী কুন-কুম্ব্লাগী মনুংদগী মকা ফোঙনা পামজবা লাইনীং লাইশোনগী থৌরমশিং পাঙথোকপা ঙম্ন রকপা। অসিগুম্বা তাঙ্ককসিদা ফাওবা হিন্দুগী অচৌবা ঈচেলগী মতৌ তম্লগা, মখোয়গী চৎনবীদা মওং অমা নৎত্রগা অমদা নপশিন্নরগা উতাংবিগুম্না মখা শাংথনা হিংনবা হোৎনবা, হিন্দুইজমগী হৌরকফমদগী শকখঙ চেশিং, মিংচৎ ফংনবা হোৎনবা লেপ্তুবা। হিন্দুইজমগী ময়োল লমদগী মশা মরেং ফন্দোকহন্নিংবগা উতাংবিদুনা ঙাক্লৌ থিনিংবগা অনীমক্কী ওইনা ইরুজনীংবগা থোঙ্গ্রা তেকপগা মান্নবা হায়বা ফীভমদু ওইবনি হায়না থমজগে।

কংলৈপাক্কী তাঙ্কক অমদা হৌজিক মমিং পন্নিংদবা ইরমদমসিগী মৈদিংঙু খরনা মীরমচাগী মীরম লাইনীংগী লাইমিং লৌখিবগী মখা শমথরকপদা থাক য়াম্না হন্থবা মওংদা লাই ওইখ্রবা লমদমসিগী অহল লমন কয়াবু লাইমিং লৌহনখিবগী নুংঙাইতবা থৌদোক ৱারী অশেংবা লৈখ্রে। অদুবু মতমগী খোংলৈ মতুংইন্না হান্নগী য়াম্না পান্নদবা মীরমগী লাইমিং লৌবগী মওংদুমক্তি হৌজিক ওইদ্রে, তৌদ্রে। অদুম ওইনমক পামজবা খরদি লমদমসিগী চনু নিঙোলশিংগী মচা মশু ওইবগী মফমদগী মীরম লাইনীংগী লাইমিং লৌনবা য়াওরি। মসিদা থোইনা হায়নীংঙাই লৈতে। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা, অনীগী মরক্তা য়ান্নজবদা অতোপ্পনা হায়নিংঙাই লৈতে। তৌহন্নিংদবা থৌওং চথুরম্বদুমক্তি হৌজিক তৌখিদ্রবনিনা লাইগী মিংশ্খে তাকপীরগা লাইনীং লম্বীগী পরম ঙাক্লা চৎনবা হোৎনবা হায়বসিদি থোয়না পংকায় কায়দে হায়না লৌরসি। অদুম ওইনমক কায়বা হায়বতবু মীগী মপা মপুদা ওইফম থোক্তনা মাগী মপা মপু শাহনবদা য়ানীংলুবদুগী ৱাখল্লোনদুতনি। থেংলবসু থেংনা নোংমদি অশেঙবা পারি-পুরিগী লিখুন নোংখ্রং ইরুপ্তুনা থিনীংলকখিগনি। কয়া অমনা নোংখ্রং ইরুপ্তুনা লান্না লৈরুবা পরৈ চুম্না পরৈ হন্নদুনা ইনাৎতা লাইমিং লেপ্তুনা লৌনরক্লিবসিনি।

ইরমদমগী ওইনা লাইমিং লৌবগী মতাংদসু নুং অমসুং পানগী ওইবা ৱাহন্থোক নৎত্রগা ৱাংঙুলোন লৈবসিনি। খুদম, মতুংগী পেরাগ্রাফতা ইরক্কদবা লংহিং লংশেংগী লংজা তরেৎ অমসুং ঙক্তা উগী লিক শিবা মতাংদা শিবা অমদি থাংবনা পানগী ওইরগা মপূগী মিংশ্খে খঙলবদি শিবা নৎত্রগা থাংবগী মথৌ তাদবদুনা নুংগী ঈচেলনি। অদুনা অয়াম্বা মরমদা নুং অমসুং পান হায়দুনা লৈবমক্তনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রে মদুদি লাইনীং লৌবা হায়বদি লাই মকোক্কী, ঐখোয়গীদনা শিদবা মপূগী মিংখৈরোল শোঞ্জবা চহী নৌরিঙৈদগী হৌবসিনি। মালেমগী মফম খুদিংদা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈবাক (মালেম) অমদি অতিয়া (অতিংঙা) মফম শিন্থুংনা লৈবনা খঙই। মখোয়গী মতিক ময়াইশিং পূম্নমক্লা খঙনরি। অদুনা মখোয় পোৎশক মঙাসিবু থৱায় মঙা কৌবা লাইশিংনি হায়না খঙনবনি য়ানিংঙম্মোইদবা মীওই কাঙলুপ অমৎতা লৈরম্মোই। মখোয়শিংসিগী মমিং অমমম লৈজে। অপূনবা মিংশ্খে অমা লাই মঙাসিগী ওইনা লৈরি। মপূগী ফম্বাল লাংলগা, ঈসাইফু ইরাৎলগা লাইয়ামশিং কৌরগা লাইমিং লৌবগী থৌরম পরেং চথুবা তৌনৈ। ঈসাইফু য়াওদনা মপূগী ফম্বালতমক লাংলগা লাইমিং লৌবগী থৌরম পরেং চথুবসু লৈনরি। অদুনা লমদমসিদা হৌজিক চৎনবা থৌরম পরেংদা খরা খরা মান্নদবা য়াওরবসু পন্থুংদি অমত্তনি। মসিদি ৱাহং অমগী পাউখুম ইবদা ইরিবশিংগী মরক্তা খরা তেন্না মচংদমক ইবা অদুগা খরনা লৈচন খরা হাপচিল্লগা তারিবশিং/পারিবশিংগী থম্মোয়বু পেলহন্নবা হোৎনবগুম্বনি।

মতাং অসিদা মীরমগী লাইনীং, ইনাৎকী লাইমিং লৌরগা অনীগী মরক্তা মান্নব্রা খনবদা মান্নদবা মচৎ খরগী মরমদা পূন্না খঙমিন্নবা শম্লপ্পা ৱাফম খরা থমজগে। অইবনা হেক্তমক খঙ-হৈরে হায়দুনা ইজবা নৎচদে। অখঙ অহৈ খরদগী খোমজিনজরগা ইনাৎকীদা লাইমিং লৌজনীংবা কয়া অমনা মীয়াম্না পাক শন্না খঙনবা মওংদা ৱারীওই-করিওই ইরক্লবা য়াথংমক্তি নৎতবিদা হায়বিরকপদগী মতাং চানা ইজরক্কে, চিনহায় ওইনা হায়জখিবগী শরুক অমা ওইনা ইজবনি। অরানবা য়াওরম্লবসু ঙাকপীগনি।

লাইমিং পীবদি তরুক্লি, ইপান নুমিৎতগী হৌখ্রে হায়বা য়ারে। মরমদি নাৱা অঙাং, নুপামচা ওইরগনা য়েৎথংবা নাকোংদা অদুগা নাৱা নুপীমচা ওইরগনা ওইথংবা নাকোংদা নৎত্রগা অনীমক্তা মপূগী মিংখৈ তাহনবা হৌখ্রে। অদুবু নোংদম শঙলেন পাখঙবা লাইনীংকোল, ৱাখাগী হয়ি হয়া শিদবগী মতুংইন্না ইপান থাবা নুমিৎসি হুমনি শুবা নুমিৎতা পাঙথোকপনা, হুমনি শুবা নুমিৎতগী মপূগী মিংখৈ তাজবা ফংখ্রে হায়বসিনি।

লাইমিং লৌগদবা হায়বা অমা, লাইমিং পীবা/ফংহনবা হায়বা অমা - অনীশুবনা লাইমিং কাঙলোন চুম্না পীবা হৈবা অমগী মফমদগী লাইমিং লৌবা ফৈ। মরমদি পীবিগদবা পিবা (অমাই পিবা) অদুনা হান্না লাইমিং লৌগদবদুনা তৌগদৌবা তৌরোইদবা মরম খরগী মরমদসু শুগায়না তাকপীবা মথৌ তাবনা। খুদম ওইনা, থৌরমলোনগী লাইরিক খরদগী ফবা য়াই হায়না লৌখৎচবদা চাক অরেম্বা চাবা, ফিয়াংখোক মখা লিৎপা, কোন্থোং লিৎপা, উরি-ৱারি মখা লিৎপা, মীরুমদা চাক চাবা, খ্বাংদা শেৎপা ফিনা কোক্তা য়েৎপা, চাকলুকখাক হঞ্জন্না চাবা, ইথক থোংবদা থকসি-খাসি কায়বা হায়রিবা পূম্নমকসি তৌবা য়াদ্রে, ফত্তে অসিনচিংবা। মপা-মমা, মপু-মবেন, ঈ মরীগী অহলশিং অমদি লাইমিং পীরিবা অমাই পিবাশিংদসু খুরুমগদবনি হায়বদি ইকায় খুম্নবা উৎকদবনি হায়বনচিংবা।

মিংখৈ শোনবগী মতাংদদি মান্নদবা খরদি লৈ অদুনা অসিমক তৌগদবনি হায়বগী মতাংদদি পঞ্জদ্রে। ফম্বাল লাংবদি লোয়নমক্তা অদুম তৌই। খরা অমনা ঈসাইফু লাৎপা হায়বা অমসুং হেঞ্জন্না তৌবা য়াওবসি হেন্না ফজবদি/ফবদি ওইব্রা হায়নদি খঞ্জে।

লংহিং লংশেং লংজা তরেৎনা তিল্লগা তাবা লংমচা (লংজা) তরেৎ অদু নোংলোম তরেৎমক্কী লাইপুংথৌ তরেৎমক্লি হায়না লৌগনি অদুগা খা ওন্ননা থাংগদৌরিবা (পামজবা মীওইনা) লংমচা তরেৎতুবুনা মপু ইবুংঙোগী খোংলম তরেৎকী মতুং ইনবা শীংলি পাফম ১০৮ গী লুচিংবা পাফম তরেৎনি, নুমিৎ চয়োল তরেৎ, মচু তরেৎনি হায়না য়াওরম্বসি মরী লৈনবা লাইরিক খরদগী খোমজিনজবনি।

লাইরিক অমদনা খরা কুপথনা অসুম্না ইরমই - মথক্কী তরেৎ হায়বদুনা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ-মালেম (লৈপাক), অতিয়া মঙাদা হঞ্জনবা মঙাল পোকপা হিংবা, শিবা, মঙাং, লুৱাং, খুমন মতম অহুমদা হঞ্জল্লকপা, অহুম্না অরেপ্পা অমদা হঞ্জল্লকপবু খোই তাংবোম খোইরি লিপোম্বা খোইরি খোইফাবা তরেৎনা মঙাদা মঙানা অহুমদা অহুমনা অমদা হঞ্জনববু হৈরোনলেন মানদোমলেন য়াই তেমলেন হৈরোম শিদবা কৌই খঙঙো হায়বসিনি। মসিগা লোয়ননা কনাগুম্বগী ঙক্তা উগী লিক্কী মশক ওইনা শিরিবদুদি পূম্নমক উবা মপুনা অহিংবা লংজা ওইনা লিক মরুগী মশক ওইবা মচা মশু পূম্নমকপু লেংদুনা থম্বীবগী মশকনি। লিকওন অমা শিরগা ইপাগী মশক্লি, অনী শিরগনা ইপা-ইমানি, অহুম শিরগনা মঙাং লুৱাং খুমন, পোকপা হিংবা শিবা মতম তাঙ্কক অহুমবুনি হায়না খঙগনি হায়বসিনি। মালেম লৈশা খুৎনিংথৌনা তক্তুনা লৌরগা লাইপক্তা নম্বা নমশাগী মমিংদি চারুবা নমশা, নুংশিবা অরুৱা নমশা ওইনম্বা শিমনিক নমশা চিংথোইবা থম্মা শিনম নমশা থুমথোইবা খমশা শিনম মকুপ থোকপা মী ময়োন নমশা অচেৎপা থিংক্রুচিং নমশা অথোইবা নমশা কৌই। (ঐখোয়গী থৌরমলোন)

মসিদগী খরা থৈদোক্লগা শিদবা মপুগী 'লায়োন' লাইরিক্তা 'নুংশিবা' অচুম্বা, ফজবা হায়বসিদা যূম্ফম ওইরগা শিদবা মপুগী নিংথিরবা মিংচৎ কয়াবু মতম পূম্নমক্তা ঙাক্লা চৎঙম্বদুনা পাখঙবগী লক্লম ওইরগা শিবদুনা শিদবা মপুগী থাদোকফদবা লিক ওইনা শিগদবনা ঙক্তা, লৈতেংগী ওইবা নৎতনা, শিবা নৎত্রগা মখল অমগী ওইনা শীজিন্নবা মথৌ তাদে হায়বসিগা মান্নবদি লাইরিক অমদনা থৱায় মঙা মিগা থানা তরুকমক্কী মিংখৈ মপু ইবুংঙোগী মশক লেপ্লবা মিংখৈবু শোন্দুনা মতম পূম্নমক্তা লেনজবা ঙল্লবা মীগীদি লংহিং লংশেং থাংবগী থোইদোকপা মথৌ ওইরোইদ্রা হায়না ইরম্বসিনি। (থৌরম অসুবা পরেং)

অরোইবদা, থমজনীংবদি লংহিং লংশেং খাওন ওন্না শিবা, ঙক্তা উগী লিক শিবা অসিনচিংবসি মথৌ তাদবসু লৈবনা, পামজবদগী নৎত্রগা মরম অমগী ওইনা শীজিন্নবা পামজরবদি হায়রিবশিংসি শেম শাবগী মতাংদদি মরী লৈনবশিংগী মফমদা থমজরে।

"হয়ি হয়া, শিদবা মপুনা য়াইফরে"।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## মাঙখ্রবা থকসি-খাসি নৌনা শেমগৎপা মথৌ তারে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*ঙসিগী* খুন্নাইসিদা, লাইনীং লাইশোন্না মীওইবা ঐখোয়দা পীরিবা ফজরবা চৎন-কাঙলোনগী ফিজেৎ চাকচা অমসুং থকসি খাসি, থৌগল্লোন অসিনচিংবা কয়া মমি শামজিল্লক্লে। মীওইবা খুন্নাইগী মরক্তা ফজরবা চৎনবী ময়াম লৈরিবা অসিগী হৌরকফম অমদি শোয়দনা লৈফম থোকই। মীওইবা ঐখোয় খুদিংমক্কী মশা মশাগী পোকপদা লোয়নরকপা মৈহৌরোলগী অশেংবা পুৱারীগী শক্তম খুদিংমক ফোঙদোকচনবা নাৎকী ওইবা ফীজেৎশিং শেৎ চাদুনা লাইনীং লাইশোনগী থৌরমশিং পাঙথো-ক্লরি। অদুগুম্বা লাইশোল তিনশোলগী থৌরম পাঙথোরকপা মতমদা মীওই ফুরুপ অদুগী অশেংবা হৌরকফম ময়েক শেংনা ফোঙদোকচবা ঙমই। তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়গী মরক্তা মীগা মীগা নুংশি চান্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে অমা হায়রবদি থকসি খাসিগী ফজরবা ৱাহন্থোক খঙনবা অসিনা ওইগনি হায়বা তাই। লাইনীং লিচৎকী মনুংদা য়াওরিবা মতিক ময়াই চেল্লবা মচাক খরা য়েংবা তারবদি মীবু মীনা ইকায় খুম্নবা অসিসু অমনি। অথোই নাপল কাদুনা মীবু মীনা হন্থনা য়েংলবা, থকসি খাসি য়াওদ্রবা, মীনুংশি চেন্দবা মীওই অদুদি লৈবাক মীয়াম্না মহাকপু ইকায় খুম্নদে।

ঙসি লৈবাকসিদা লৈরিবা মীতৈ ফুরুপকী মীওইশিং অসিনা অঙনবা মতমদগী হৌনা নাৎকা শাগোন্নরম্বা মীতৈ যূমশা কৌবা যূম মখল অমা শাদুনা লৈনরম্মী। অদুগুম্বা যূম অদুগী মনুংদা লাইগী খুভম্নচিংবা থমদুনা ঈরাৎ থৌনি তৌবা চৎনৈ। মসিবু ঐখোয়না সনামহী লাইনীং নৎত্রগা মীতৈগী লাইনীং ওইহন্দুনা লমদমসিদা ঙসি ফাওবা চৎনরিবা অসিনি। মীতৈনা য়েলহৌঙৈদগী লৈনরম্বা অরিবা যূম মখল অসি শারগে হায়রবদি যূমগী কয়াৎশিং শোয়বা য়াদবা মরম্না অখঙ অহৈগী মীওইশিং কুপ্না তানবগী তঙাইফদবা লৈ। মরমদি যূম শাবদা শোয়রবদি মী লৈবা ঙমদে, যূম্বুদা অৱা অনাগী দষা তাই হায়বগী থাজবা লৈরম্মী।

মতম অমদা চৎনরম্বা লমদমসিগী ফজরবা থকসি খাসি থৌগল্লোন অদু ঙসিদি কংলৈপাক মণিপুর অসিদা নৌহৌননা অমুক শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈরে। মরমদি ঙসিগী তংদু লৈতাদ্রবা চরাংনরবা খুন্নাই অসিদা মসিনা মীগা মীগগী মরক্তা হেন্না নুংশি চান্নবা পুরকপা ঙল্লবদি লৈবাক খ্বাই মীয়ামদা য়াইফবা ওইগনি। মীতৈশিংগী মচৎ মনাৎ, লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা যূমশা মখল অসিমক শাগে হায়রবদি, লাইরম তিল্লম থোক্লোইদবা মফম য়েংদুনা যূল্লাইথোক তাদনবা ঈং তপকদবা অফবা মফম খল্লগা যূম শাবা তাই।

কংলৈপাক্কী মীতৈশিংনা হান্নদগী চৎনরম্বা লাইনিং লাইশোনগী মপূং ওইবা থৌরমশিং অদুদি অযূক্তা কোরৌহনবা নুমিৎপু ঙমজবা কৎতুনা খুরুমজবা, নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা লাইনিংথৌ সনামহী অমসুং ইমা লৈমরেল শিদবী, ইমোইনু অহোং অচাওবী ইমাগী খুভম ফুঙ্গা লাইরু, থোঙজিন্দা লৈবা থোঙঙাক লাই, লোয়ননা মাঙ্গোল লাইগী খুভমশিংদা ধুপ মৈরা মেক্রুক থাদুনা খুরুম্নবনি। হায়রিবা লাইথৌ থৌরম খুদিংমক অসিবু লমদমসিগী মীতৈ লাইনীং চৎলিবা মীতৈ যূমথোং খুদিংমক্তা ঙসিসু কায়দনা অদুমক পাঙথোক্লরি।

ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা অঙনবা মতমদগী হৌদোকখিবা মীপুম খুদিংমক অসিবু থকসি খাসি খঙহনবা, ৱাখল লৌশিং তাবা খুন্নাই অমা ওইনবা অচেৎপা ফিরেপ থমদুনা যূমগী অহল ওইরবা নুপাশিংনা ফম্মেন ফমদুনা মচা মশুশিংবু শিল্লম শিন্থা কয়ামরুম তাকপী তম্বীদুনা তাইবঙ মীওইবগী অৱাংবা ৱাখল লৌশিং চৎন-কাঙলোনগী পাউতাকশিং নীংথিনা তাকপী তম্বীদুনা অহল লমন্না খুল্লিংবা লৈবাক অমা ওইরম্মী। অঙনবা মতমগী মীতৈ যূমশাদা নিঙোল কা, পিবা কাগী ৱাহন্থোক লৈনা যূম শাবা চৎনরম্মী। লোয়ননা যূম্বুরেল নুপীশিংনা মাংসোক ফম্মেন ফমদুনা নুপী কাঙলুপ্তা অহেনবা ফজবা মিৎয়েং থমদুনা অফবা লমচৎ শাজৎ শেম্বা অমসুং অকূপ্পা যূম্বান কৈবান, লৈবাক খুন্নাইগী অৱাংবা ৱাখল লৌশিং তাকপী তম্বীবা, থকসি খাসি, লাইনীংবগী চৎন-কাঙলোনশিং মমুৎ তানা খঙনবা তাকপী তম্বীবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইনা লৌনরম্মী।

ঙসিদি মীওইবা খুন্নাইগী মরক্তা নোংম নোংমগী মাঙশিল্লক্লিবা থকসি খাসি, লমচৎ শাজৎ কয়াসিদগী মীওইবা হায়বা কাঙলুপ অসিবু কন্নবা ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা থকসি খাসিগী থৌগল্লোন য়োকখৎপগা লোয়ননা অকুপ্পা যূম্বাল কৈবানবগী লম্বীসিদা খুদুং ইন্দুনা চৎপা ঙল্লবদি ঈং-তপ্পা, নুংঙাইরবা খুন্নাই অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়বা ৱাফমশিং অসি লৈবাক মীয়ামগী মফমদা থমজরি।

*অদোমগী - অসেম মোহোরি, শুগুনু ৱার্দ নম্বর ৯*

## কৈদৌঙৈ ফাওবনো চমম্নরে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*অনৌবা* চহীনা লাকপদা লোইশিল্লগনি খল্লুবা ইকনমিক ব্লোকেদ মখা অসুমক চথুখিগদৌরিব্রা হায়বগী চিংনবা অমা লমদমসিগী মীচম মীয়ামদা লৈনরিবনি। মণিপুরদা লৈরিবা হন্দক্কী ভোটর ১৮,০৭,৮৪৩ সিগী মনুংদা করম্বা পার্টিদা ভোট খরা হেন্না পীগনি হায়বা ঙম্বা নত্তে। অনৌবা চহী লাকপদা করম-করম্বা মীওইনা অনৌবা চহীগী ওইনা তাইবঙপান থাদোকখিবা মীওই খুদিংমক্লা খঙনরবা ৱাফম ওইরবনি। চহী হৌবগী খুলামখাং ওইখিবা অয়াম্বা ময়ূমদা লৈনা লৈনা থোকখিবা অমত্তা নত্তে। ধুম-ধাম তৌবদা পাম্মুদবদগী হেদো-হেরা তৌবদগী মরাইবক থিবা হায়বদু ওইনখিবনা অয়াম্বনি। মমা মপানা হায়বা ইন্দবা হায়রুরবসু ঙাঙলুরবসু নাচুংদবা অদুগুম্বা মচা মশু অদুমক ওইরবনি। চীংখোঙদা, চীংয়াদা, তুরেল মপান্দা, লৌবুক্তা থোং থাক্তুনা চাবা থকপা য়াওখিবা ঙম্নমক ইনখৎলকপা লৈশা পাখঙনা শোয়দনা মশীং হেল্লগদবনি। মতমসিগী য়াওলসিগা হায়রুরবদি লমচাক চাবগী ৱাখলসিমদি য়ারিবমখৈ তৌদবনা ফরবনি। নুমিৎতুদা খঙদবা, উদবগী ৱানি মপুন্সিগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নদবা ইনখৎলকপা কয়া অমসু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্না খুলামখাং কৌবা মশীং লাকঙমদনা য়াওরমদৌরিবনি। মসিগী খুমলামখাংসিদগী ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা নারোন্দা শীজিন্নবসু য়াওদৌরিবনি। অফবদা লাইমিং লৌবা কনানসু করিসু হায়নরোইদবনি। ফত্তবদা লাইমিং লৌবা হিংগদবা পুন্সিদা তেনশিনবগী এদভান্স বুকিং তৌজবনি। হায়না হায়না, ঙাঙনা ঙাঙনা উচিন নাচিন্না চহী হৌবগী নুংঙাইবা লোইখ্রবনিনা মতুং তারকপসিদি তরামাথোই শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন্না মহুৎ শিন্নবগীদমক শেম শাদুনা লৈরকপা, ঐদি অদুনি, মাদি অদুনি হায়দুনা কাঙলম চেনবগী থবক মসিগা লোয়ননা এঞ্জাং অহাওবা, অপাম্বা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মরাং কায়না ফংলকপা ফংলোই করম হায়গনি। ভোট থাদবা অমসুং থাদদবা থিদনা কেন্দিদেটকী ময়ূমদা মী য়াম্না তিল্লিবমখৈ শোয়দনা ভোট কারগদবনি থাজনদৌরিবনি। ভোটকীদমক ইমুং মনুং ফাওবা নুংশিনদনবগী ঈহৌ লাক্লোই করম হায়দৌরি। কোক্কাই লুকাই, ইহিং নাইহিং তান্নবা মসিগা লোয়ননা অশি অনা য়াওনরকপদা শোয়দ্রবনি। ভোটনা ভোট, বন্দনা বন্দ মথং মথং লাকপনা ভোটতি শোয়দনা অকক্লবা মতম অমা লৈবনিনা ফরি। মসি নত্তবীদা য়ু এন সীগী ইকনমিক ব্লোকেদ মসিদংগা অকক্লবা মতমদু খঙলবা কয়াদা নুংঙাইগদবনো।

মপানগী ষ্টেট শম্নরিবা মপূং ওইবা নেসনল হায়ৱে অনী মসিগা লোয়ননা এয়রপোর্ট অমা মসি নত্তনা অতোপ্পা লম্বী অমা ঐখোয়গী লৈরিব্রা? লাইবক ফদনা রেলৱেসিদংগা মচু তানা চৎথোক চৎশিনগী থবক তৌরক্লবা ইকনমিক ব্লোকেদকী মহি ময়াই চমদনিঙাই লৈরোই। ৱারবসু ৱানা খাঙবদা হৈনরবা লমদমসিগী মীওই লাক্ষ কয়াসিনা পেল্লমগনি হায়বা থাজবগী ৱাংমদা লৈরবনি। ইন্দিয়াগী পুৱারীদা লৈহৌনবগীদমক মখা চথুদুনা অসুমক লৈবনা ফদৌরিব্রা? ইকনমিক ব্লোকেদকী মায়োক্তা করম্বা খোঙজং চঙশিল্লগা তংদু লৈতাবা ৱারোইশিন ওইগদৌরিবনো? উচিন নাচিন্না চহী হৌবদসু অদুমক মখা চথুদুনা লৈবসিদি মথংগী মীহুৎনা শেম্বা গভর্ণমেন্ট অমা লাক্লবা কান্দা য়ানবা অমা পুরক্তুনা নেসনল হায়ৱে অনীসি হাংদোক্কদৌরিব্রা? করম্বা পোলিটিকেল পার্টিনা মেজোরিটি ওইগদৌরিবা মাঙজৌননা খঙলবদি নুংঙাইনিদা। গভর্ণমেন্ট পায়দৌরিবা মীহুৎসিনা কনা কনা? মার্চ থা মনুংদদি শোয়দনমক্কী খঙলগনি। করিগুম্বা অমা তৌবদা হায়ৱে অনীসিদা হেক্তমক তাইনবা হায়বসি হেনমল্লবনি। মালেমসিদা লৈরিবা তাইবঙ মীওইবসিনা অমত্তা ওইনা নুংশিনবগী মরী অদুমা থমদবা য়াদে খন্দুনা মীওইবা খুদিংমক্কী থম্মোয়দা হোংবা নাইদনা লৈরবা মীওইবা কাঙলুপকী মাঙগদবা তৌগদবা থবক থৌরম খুদিংমক উননা নুংশাদা তুম্বগুম তুমদনিঙাই লৈরোই। ইমা ইপানা পোকপীরম্লগা তাইবঙপান থাদোক্তুনা চৎখ্রবসু ইমাদা নুংশিবা, ইপাদা নুংশিবা অদুগুম্না খুদিংমক্তা নুংশিনা খনবা ঙম্বগী থৌনা লৈরবা মীবু করম্না ফত্তে হায়গদৌরিবনো? ভোটকী ৱাদি অমনা কাগে কাসনু, খুদিংমক মীহুৎ ঙাক্তনি। তৌবতবু ইশা ইশানা পাম্বদা ভোট পীবনা খ্বাইদগী অফবা লম্বীনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

## ময়োল থোকপা লাই

